

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SUNDAY, AUGUST 12, 2018 PAGE 7**




*ককচিং ময়ায় লৈকাই মল্টিপর্পস কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা অহানবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস কম্পিটিসনদা কেজি ৬০ মথক্কী কন্টেষ্টতা ৱিন্নর ওইখ্রবা আইরন জিমগী শগোলশেম সন্তোস সিংহ (য়েৎ) অমসুং মেন্স ফিটনেসকী ৱিন্নর ওইখ্রবা এক্স জিমগী ময়াংলম্বম বেঙ্কি সিংহ*

## গুঞ্জননা চহী ১১ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী, দেববর্ত্ত অমসুং এভিরিসনা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ঃ*

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসননা শিন্দুনা দিএম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখৎরক্লিবা অনীশুবা য়োনেক্স সনরাইজ ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা কোন্সম গুঞ্জননা নুপীমচাগী চহী ১১ মখাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

অদুগা থৌদাম দেববর্ত্ত অমসুং সোরোকখাইবম এভিরিসকী পেয়রনা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা চহী ১১ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা গুঞ্জননা খাঙেম্বম সেলিনাবু পোইন্ট ২১–৩, ২১–১২ তা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।



*চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রবা টিঐচ দেববর্ত্ত (য়েৎ)অমসুং এস এভিরিস*

কোন্সম গুঞ্জন কোংবা মখা নান্দেবম লৈকাইদা লৈবা কে মুহিন্দ্রো অমসুং কে ইবেতোম্বী অনীগী মচানুপীনি। মহাক হৌজিক–হৌজিক হেরিটেজ কনভেন্টতা ক্লাস ফাইভ তম্লিবী মহৈরোইনি।

অতোপ্পা চহী ১৩ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দেববর্ত্ত অমসুং এভিরিসকী পেয়রনা বোরিস সলাম অমসুং গুনচন্দ্র নাওরেমগী পেয়রবু পোইন্ট ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

থৌদাম দেববর্ত্ত লাইরিকয়েঙ্বম মখা লৈকাইদা লৈবা টিঐচ দেবদত্ত অমসুং এন বিদ্যপতি অনীগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক–হৌজিক লম্ফেল পাটতা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যলয়া ৱানদা ক্লাস সেভেন তম্লিবা মহৈরোইনি।

অদুগা সোরোখাইবম এভিরিসনা লংথবাল মন্ত্রিখোংদা লৈবা এস মালেমখোম্বা অমসুং এস প্রেমিলা দেবী অনীগী মচানুপানি। এভিরিস হৌজিক–হৌজিক খোংমনদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলদা ক্লাস সেভেন তম্লিবা মহৈরোইনি।



*চহী ১১ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর কোন্সম গুঞ্জন*

অতোপ্পা ঙসি অয়ুক শান্নখিবা চহী ১৩ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা কোন্সম গুঞ্জন দেবীনা এলাংবম রোবিনাবু পোইন্ট ২১–১৪, ২১–১০ দা অদুগা সনানু মৈস্নামনা খাঙেম্বম সেলিনাবু পোইন্ট ২১–৮, ২১–৮ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ঐচ রোহেনকুমার অমসুং কেঐচ অমরজিৎকী পেয়রনা এলেক্স এনজি অমসুং আর কে এলেনগী পেয়রবু পোইন্ট ২১–১২, ২১–১০ দা অদুগা ৱাই হেমজিৎ অমসুং ৱাই সুদিসকুমারগী পেয়রনা এ মঙাল অমসুং কাম্পোভকী পেয়রবু ২১–১৭, ১৮–২১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

চহী ৪০ মথক্কী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা দিজাঙ্গো একে অমসুং টিঐচ তোম্বগী পেয়রনা একে প্রদিপ অমসুং হিরোম ইবোমচাগী পেয়রবু পোইন্ট ২১–১৭, ১৫–২১, ২১–১১ দা অদুগা এন প্রেমচান্দ অমসুং সুসিল ঐচকী পেয়রনা কেঐচ রঞ্জিৎ অমসুং এনজি নবকুমারগী পেয়রবু পোইন্ট ২১–১৫, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

## থাং–তা ফেদরেসন কপ

## মণিপুরনা হুম্নি চনবা নুমিৎতা গোল্ড ৪২, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ ফংখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ঃ*

থাং–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা চান্দিগরগী স্কেটিং রিঙ্ক স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা চখৎরিবা ৭শুবা থাং–তা ফেদরেসন কপকী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ৪২, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ লৌখ্রে।

ষ্টেট অসিগী সব–জুনিয়র অমসুং জুনিয়র বোইজকী ফুন্নবা অমা অমসুং ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ১৬ ফংবা ঙমখি। অদুগা নুপীমচা সব–জুনিয়র অমসুং জুনিয়র ফুন্নবা অমা অমসুং ফুন্নবা অনীশুবা ইভেন্টশিংদা গোল্ড ২৬ ফংবা ঙমখিবনি।



সব–জুনিয়র নুপামচাগী ফুন্নবা অমা ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবশিং অদুদি সিঐচ রিসিকান্ত, ঐচ সেঞ্চুরি অমসুং এল চিংখৈঙানবা মৈতৈনি।

জুনিয়র নুপামচাগী ফুন্নবা অমা ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রবশিং অদুদি এসঐচ রোজলেন্দ, এল অরুনকুমার, দল্লিয়ু রোসন, ৱাই দিপক, ৱাই রোবার্টসন অমসুং ঐচ লমঙানবনি। অদুগা জুনিয়রগী ফুন্নবা অনী ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবশিং অদুদি ঐচ মঙানলৈবা, লাঙ্গোনবা ওইনাম, এন লুহেনবা, টিঐচ রাজেস, কেএসঐচ রোবিনসন, দিজেন শগোলশেম অমসুং আর কে নোংপোকঙানবনি।

সব–জুনিয়র নুপীমচাগী ফুন্নবা অমা ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোইশিং অদুদি এল নিবাসিনি, পিঐচ গিলিভা, এল এনি, ও তোম্বীসনা, সিঐচ দিনিতা, এন লনচেনবী অমসুং ইঙেলসনা থাওরোইজমনি।

কেটেগোরি অসিগী ফুন্নবা অনী ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবশিং অদুদি কে থাজ, এস মালেমঙানবী, এস রোজিকা অমসুং এন য়াইস্নানি।

জুনিয়র নুপীমচাগী ফুন্নবা অমা কেটেগোরিদা গোল্ড লৌরকখ্রবী শান্নরোইশিং অদুদি রোবিনা হৈস্নাম, য়ুম্নাম পিঙ্কি, ঐচ এলিয়া, এল সোফিয়া, এন জিবনলাতা, এল সেলি অমসুং কেঐচ প্রিয়াঙ্কানি।

কেটেগোরি অসিগী ফুন্নবা অনী ইভেন্টতা গোল্ড লৌরকখ্রবীশিং অদুদি এস রোসনি, এল উমা, সিঐচ রিয়া, এম মেলোদি, কে মেরিনা, নিহা য়ুমখাইবম, পিঐচ সর্মিলা অমসুং টিঐচ পিয়াই চনুনি।

## হৈরাংখোংজম ললিতনা মিষ্টর ককচিংগী ওভরওল টাইটল ফংখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ঃ*

ওল মণিপুর জিমনাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট জিমাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসি ককচিং ময়ায় লৈকাইদা লৈবা মলতিপর্পজ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা অহানবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিলডিং এন্দ ফিটনেস কম্পিটিসনদা আইরন জিমগী হৈরাংখোংজম ললিত সিংহনা ওভরওল মিষ্টর ককচিংগী টাইটল লৌখ্রে।

ললিতনা কেজি ৬০ মখাগী কন্টেষ্টতসু অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। কেটেগোরি অসিমক্তদা আইরন জিমগী ময়াংলম্বম ওলিভর মৈতৈনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং জিম অসিমক্কী ক্ষেত্রিময়ুম গোবিন্দাস সিংহনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।



অতোপ্পা কেজি ৬০ মথক্কী পাঙথোকখিবা কন্টেষ্টতা আইরন জিমগী শগোলশেম সন্তোসনা অহানবা পোজিসন অদুগা ৱাইভিও জিমগী মাইবম রোবার্ট সিংহনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং অক্স জিমগী ক্ষেত্রিময়ুম রোবিনচন্দ্রনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মেন ফিটনেসকী কম্পিটিসনদা এক্স জিমগী ময়াংলম্বম বেঙ্কি সিংহনা অহানবা পোজিসন অদুগা জিম অসিমক্কী নাওরেম ফ্রেদি সিংহনা অনীশুবা অমসুং এমএম ফিটনেষ্ট সেন্টরগী য়েন্দ্রেম্বম রতনকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং ৱাটর রিসোর্সেসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা অথোইবা মীথুংলেন, ককচিংগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র সিংহনা থৌরম মপু, মণিত্রোন অমসুং মণিদকোগী চীয়রমেন এম এল এ ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নাম, মাইনোরিটি দিপার্টমেন্ট অমসুং এমপিসিসিগী চীয়রমেন এম এল এ এমদি ফাজুর রাহিম অমসুং ওল মণিপুর জিমনাসিয়ম ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস থম্বাল শর্ম্মনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## নোর্থ ইষ্ট জোন সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অজয় হুইদ্রোম অমসুং বেঞ্জামীননা মিটর ২৫গী সেন্টর ফায়র পিষ্টোল অমদি মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ঃ*

মীজোরামগী কোনুং আইজোলদা চখৎরক্লিবা ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন সুটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেট অসিগী সুট্টর অনী অজয় সিংহ হুইদ্রোম অমসুং থিয়াম বেঞ্জামীন সিংহনা মিটর ২৫ গী সেন্টর ফায়র পিষ্টোল অমসুং মিটর ৫০ গী ফ্রি পিষ্টোল মেন্স ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল অমমম ফংবা ঙমখ্রে।

অজয় হুইদ্রোমনা অহানবা সেরিজ কাপ্পদা পোইন্ট ৮৭ অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেরিজদা পোইন্ট ৮৯ অমসুং ৯৫ পুন্না পোইন্ট ২৭১ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইখিবা অসামগী অম্বারিস ভারদৱাজতগী পোইন্ট ১২১ হেন্দুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।



থিয়াম বেঞ্জামীননা মিটর ৫০ গী ফ্রি পিষ্টোল ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা সেরিজ অহুম কাপ্পদা মথংশিংনা পোইন্ট ৮৯, ৮৭ অমসুং ৮৩ ফংদুনা পুন্না পোইন্ট ২৫৯ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চপ মান্নবা ইভেন্ট অসি ষ্টেট অসিগী কাঙজম প্রেম সিংহনা মথংশিংনা পোইন্ট ৭৫, ৮২ অমসুং ৮৭ পুন্না পোইন্ট ২৪৪ কাপ্পুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিমক্তঃদা ষ্টেট অসিগী ব্রহ্মচার্য্যময়ুম সান্তিকুমারনা পুন্না পোইন্ট ২২৪ কাপ্পুনা ৭শুবা পোজিসন তাখি।

অদুগা মিটর ২৫ গী সেন্টর ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ষ্টেট অসিগী পাঙম্বম কুঞ্জবিহারিনা পুন্না পোইন্ট ২১৭ কাপ্পুনা ৭শুবা পোজিসন তাখিবনি। ইভেন্ট অসিদা অসামগী সঞ্জিব গোগোইনা পুন্না পোইন্ট ২৫৮ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাবা ঙমখি। ষ্টেট অসিমক্কী সুট্টর নয়নমোনি গোহেননা পোইন্ট ২৪৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং মেঘালয়াগী ৱালসাল মোমিননা পোইন্ট ২৩৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিটর ২৫ গী নুপীগী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা মীজোরামগী লালমাচুৱানি সাইলোনা পুন্না পোইন্ট ২৪৪ কাপ্পুনা অহানবা পোজিসন অদুগা অতোপ্পা মীজোরমগী সুট্টর চিন্দি ভনলালরিয়াপুইনা পোইন্ট ১৯০ কাপ্পুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অসিদা অসামগী কাভেরি বৈশ্যনা পোইন্ট ২১১ কাপ্পুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।


সার্ভিসেসখক্কী ওইনা পাঙথোকখিবা ০.১৭৭ পিপ সাইট এয়র রাইফল ১০ মিটর মেন্স ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা আর্মিদা লৈবা সুট্টর অহুম আর এন্দ্রিয়ু কোম, অরপন থাপা অমসুং মহাথুং এল কিকোননা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ষ্টেট অসিদগী ওফিসিয়েল ৫ গা লোয়ননা নুপা অমসুং নুপী সুট্টর ৬৫ না তোঙান–তোঙানবা কেটেগোরিদা শরুক য়ারি।

## ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙখ্রে, মিথুন মঞ্জুনাথ সেমি ফাইনেলদা মায়থিহৌবদগী লৈহৌরে

*হো চিন মিন সিটি, ওগষ্ট ১১ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোই অজয় জয়ারাম ভিয়েটনামগী কোনুং হো চিন মিন সিটিদা চখৎরিবা য়ুএস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই মিথুন মঞ্জুনাথ সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে।



ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা ৭শুবা সিদেদ জপানগী য়ু ইগারাসিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়াগী সেসর হিরেন রুষ্টাভিটোনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী মিথুন মঞ্জুনাথপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৭, ১৯–২১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ চাইনাগী হান য়ু অমসুং সিঙ্গাপোরগী য়িও জিয়া মিনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী চাইনাগী হান য়ুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী ফিট্টায়াপোর্ন চাইৱানবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১১, ২২–২০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা সিঙ্গাপোরগী য়িও জিয়া মিননা মহাক্কী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ জপানগী মিনাটসু মিটানিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৯, ১২–২১, ২১–১৩ দা থোইরমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী সুং হিয়ুন অমসুং সিন বেকনা চাইনিজ তাইপৈগী লি চেং অমসুং য়াং পোগা লম্বা তৌনরগনি। সাউথ কোরিয়াগী পেয়র অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী মোহদম লটিফ অমসুং নুর মোহদম আয়ুবপু ২১–১২, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি। অদুগা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়রনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র লিন সাং অমসুং সেং মিনবু ২২–২০, ২১–১২ দা থোইরমখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী মিসাটো অরাটামা অমসুং অকানে ৱাটানবেনা অতোপ্পা জপানগী পেয়র ৬শুবা সিদেদ নামী মাটসুয়ামা অমসুং চিহারু সিদাগা লম্বা তৌনরগনি।

অরাটামা অমসুং ৱাটানবেনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী চেং লু অমসুং ঝু য়াবু ২১–১০, ২১–১৩ দা থোইরমখি। অদুগা মাটসুয়ামা অমসুং চিহারুনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র পিথা মেন্টারি অমসুং ভিরনি পুত্রিবু ২১–১৯, ২১–১৯ দা থোইরমখি।

ভিয়েটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী ইকো প্রাসেটিয়া অমসুং মার্সেলা ইস্লামীনা থাইলেন্দগী পেয়র নিপিটফোন অমসুং সাভিত্রি অমিত্রপাইগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জপানগী পেয়র কোহৈ গুন্দো অমসুং অয়ানে কুরিহারাবু ১৯–২১, ২১–১৬, ২১–১৮ দা থোইরমখি। অদুগা থাইলেন্দগী পেয়রনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র রিনোভ রিভালদি অমসুং পিথা হারিংটিয়াস মেন্টারিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৬, ১২–২১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Jiribam, Manipur

Ref. : Mutation Case No.08/SDC/JBM

1. Nongthombam Chaobi Devi W/o (L) N. Manibabu Singh of Ningthembam

Petitioner

-Vs-

1. (Late) Nongthombam Manibabu Singh of S/o (L) N. Kulo Singh of Ningthembam

O.P.

**NOTICE**
Jiribam, the 12th August 2018

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Nongthombam Manibabu Singh S/o (L) N. Kulo Singh of Ningthembam দা লৈবগী মিংদা পানবা Patta No. 58(O)/ 95(N), CS Dag No. 260, 261, 262, 263 গী Hectare 0.3396, Village No. 4-Ningthembam (Bakhal) গী Phourel class লৌফম অসিগী পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাও–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭(Seven) নিগী মনুংদা অইবা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Jiribam

SL/3896/12



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.681/SDC/IW(K) /2018

(1) Laishram Bijoy Singh S/o (L) Yaima Singh of Awangjiri
(2) -Do- Kamarjit Singh S/o (L) -do- of -do-
(3) -Do- Romiyo Singh S/o (L) -do-of -do-
(4) -Do- Rohit Singh S/o (L) -do-of-do-

Petitioners

-Vs-

Late Laishram Yaima Singh S/o (L) Kudo Singh of Awangjiri

O.P.Party

**NOTICE**
The 10/8/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং Laishram Yaima Singh পীঃ Kudo Singh সাং Awangjiri গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 93- Awangjiri গী অনৌবা পট্টা নং 113 দাগ নং 195 অমসুং এরিয়ানা .015+.015+.03 = .06 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/3897/12